# জুন ১৪ ফাওবা লোকদাউনগী মতম শাংদোকখ্রে

আইজোল, জুন ০৫(এজেন্সী):
মিজোরামদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হেনগৎলকপনা মরম ওইরগা মরু ওইনা লায়না লাইচৎ অসিনা শোকহল্লিবা আইজোলদা লোকদাউনগী মতম জুন ১৪ ফাওবা শাংদোক্লবা লৈঙাক্না ফিরেপ লৌখ্রে হায়রি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টনা ইশ্যু তৌখিবা ওর্দর অমগী মতুং ইন্না ষ্টেট অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস মশীং হন্থরকপা লৈত্রি। অমদি শিবগী চাংসু হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা হান্নদগী হেনগৎলক্লি। মরম অদুনা ষ্টেট অদুগী মফম মফমশিংদা মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থম্লবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা আইজোলগী ওইনদি কমপ্লিট লোকদাউন থমজিনখ্রে।

অনৌবা ওর্দর অমা থোক্লিফাওবা আইজোলদা মীয়াম্না চখোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থম্লে। জুন ১৪ গী অয়ুক পুং ৪ ফাওবা লোকদাউন অসি চৎনগনি। আইজোলদা মখা তানা লোকদাউন শাংদোকপা নৎত্রগনা তেনশিনবা হায়বসি কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী ফীভম য়েংলগা মখা তানা লৈঙাক্না লেপকনি।

লোকদাউন মনুংদা আইজোলদা মীয়াম্না য়ুমদগী মরম লৈতনা মপান থোকপা য়ারোই। ইসেন্সিএল কোমোদিটিসকা মরী লৈনবা দুকানশিং খক্তমক লোকদাউন মনুংদা হাংবা য়াগনি। এগ্রিকলচর সিদস এন্দ ইক্কুইপমেন্ট, স্কুল টেক্স বুক, মোটোর ৱার্কসোপ এন্দ ইসপিয়র পার্টস য়োনবা দুকানশিংগী ওইনদি চয়োল অমগী মনুংদা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা অয়ুক পুং ৫ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ ফাওবা হাংবা য়াগনি হায়রি।



আর কে ফোরচুন দিভলপর্স প্রাইভেট লিমিটেদ, চঙাঙ্গেগী মেনেজিং দিরেক্তর আর কে রামেশ্বরনা পাৎশোই এসেমব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চনবা পাৎশোই পার্ট-২ মখা লৈকায়দা লৈবা কোভিদ-১৯ গী চৈথেং ফংলবা য়ুমশিংদা নোংমদা চংদ্রবা য়াদ্রবা চানবা পোৎলমশিং তেংবাং পীখিবা

# বোর্দরদা অমুক হন্না উংখৎনবা ফীভমদা লৈরে

গুৱাহাটি, জুন ০৫ (এজেন্সী):
অসামগী হায়লাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী গুটগুটি এরিয়াদা য়ুমথংনরিবা ষ্টেট মিজোরামগী মীওই খরনা লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লকপদগী ষ্টেট অনীগী বোর্দরদা অমুক হন্না উংখৎনবগী ফীভম অমা লাক্লে।

হায়লাকান্দিদগী দেপ্যুরিটি কম্মিস্নার রোহান কুমার ঝা অমসুং সুপরিন্টেন্দেন্ট ওফ পুলিস রামদিপ কোরনা ইরাই নুমিত্তা বোর্দর এরিয়া অদুদা চত্তুনা মফম অদুদা ওইরক্লিবা ফীভম অদু য়েংশিনখি। রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না মিজোরামগী মীওইশিংনা হায়লাকান্দি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অসামগী লম শরক্তা কিলোমিটর ৪ চঙশিল্লক্লগা শেমগৎ শাগৎপগী থবক খরা হৌখি। মিজোরামগী মীওইশিংনা চথুরক্লিবা থৌওং অদু উবদা কাটলিচেরাগী এম এল এ সুজ াম উদ্দিন লাস্করনা মফম অদুদা চত্তুনা মতম শাংনা মিজোরামগা বোর্দরগী মতাংদা য়েংনরক্লিবা অদু লৈখাই তাথোক্লবা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা অথুবা মীৎয়েং চঙবিয়ু হায়না তকশিনখি।

মহাক্না ফোঙদোকখিবদা অসামগী ওফিসলশিং মফম অদুদা য়ৌশিনবা ঙমখিদে অমসুং য়েংনরিবা মফমদুদগী কিলোমিটর ২ হায়দোক্লগা মীফম পাঙথোকখি। বোর্দরগী য়েংনবা অদু ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরশিংনা হকথেংননা ৱারী শান্নরগা সোল্ব তৌবা য়াগনি হায়বা ৱাফম লাস্করগী মায়কৈদগী থমখি।

মসিগী মমাংদা লমহেন তুহেনবা মিজো মচা খরানা কচুরথাল এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা চঙশিল্লকখিবগী থৌদোকশিংসু থোকখ্রে হায়নসু এম এল এ লাস্করনা ফোঙদোকখি। সাউথ অসামগী বরাক ভেল্লিগী মনুং চনবা দিষ্ট্রিক্ট অহুম মিজোরামগী আইজোল, কোলাসিপ অমসুং মমিদ দিষ্ট্রিক্টশিংনা কিমি ১৬৪.৬ শাংবা বোর্দর লোন্নরগা লৈরিবনি।

## লুপা ক্রের ১.৬৪ গী হেরোইন ফারে

আইজোল, জুন ০৫ (এজেন্সী):
অসাম রাইফলস অমসুং কষ্টমস দিপার্টমেন্টনা ইন্দো-ম্যান্মার বোর্দরগা তাইনবা মিজোরামগী জোখাওথার ভিলেজদগী হিরোইন গ্রাম ৪১০ ফাখ্রে। অসাম রাইফলস সোর্ছশিংগী মতুং ইন্না থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফংবদগী অসাম রাইফলসকী ক্রুপশিং অমসুং কষ্টমস দিপার্টমেন্টকী মীওইশিংনা জোইন্ট ওপরেসন অমা চথখি। ওপরেসন অদুদা লুপা ক্রোর ১.৬৪ রোমগী ওইগদবা অথিংবা থম্বা ময়াই কাবা পোৎলম অসি ম্যান্মারদগী পুশিল্লকপদগী ফাখিবনি।

# ত্রিপুরাদা ভেক্সিন কা হেন্না ৱাৎপগী প্রোব্লেম লৈরে: হায় কোর্ট



অগরটালা, জুন ০৫ (এজেন্সী):
ত্রিপুরাদা চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী মীওইশিংদা শীজিন্নবা ভেক্সিন কা হেন্না ৱাৎপগী অরুবা প্রোব্লেম অমা লৈরে হায়না ত্রিপুরা হায় কোর্টনা ওবজার্ভ তৌখ্রে।

কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী অনীশুবা ৱেভ থেংননবা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা শেম শাবগী থবক্তা অৱাৎপা কয়া লৈবগী রিপোর্টশিংগা মরী লৈননা কোর্ট অসিনা সু মোটো কোগনিজেন্স লৌখৎলদুনা ওবজ র্ভেসন অসি পীখি।

ত্রিপুরা হায় কোর্টতা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা দিটেল্ড এফিদেভিট অমা ফাইল তৌরবা মতুং ইরাই নুমিত্তা কোর্ট অসিগী চীফ জষ্টিস এ এ ক্যুরেসি অমসুং জষ্টিস এস টালাপ্রত্তগী দিভিজন বেঞ্চনা কেস অসি হিয়ারিং তৌখি। দিভিজন বেঞ্চ অসিনা হায়, ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টনা নুমিৎ খুদিংগী ভেক্সিনেসন বুলেটিন ফোঙননবা কোর্ট অসিগী মায়কৈদগী পীখিবা সজেসন য়াখ্রে। বুলেটিন অসিগী মতেংনা হৌজিক মীয়াম্না ষ্টেট অসিদা চথুরিবা ভেক্সিনেসন প্রেসেসকী চপ চাবা আইদিয়া অমা খংবা ঙম্লগনি। ষ্টেট অসিগী ওইনা চহী ১৮-৪৪ গ্রুপকী কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অয়াম্বা ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্টকী মীওইশিংদা শীজিন্নরি।

জুন ৩ ফাওবদা চহী গ্রুপ অসিদা পুন্না ভেক্সিন দোজ ৫৮,১২৫ কাপখ্রে। ভেক্সিন দোজশিং অসিগী মনুংদা দোজ ৫৭,৮০৪ ৱেষ্ট ত্রিপুরা দিষ্ট্রিক্ট খক্তদা শীজিন্নখি হায়না হায় কোর্টনা ওবজার্ভ তৌখি। গভর্ণমেন্ট দেটানা দিষ্ট্রিক্ট কয়াদা চহী গ্রুপ অসিগী মীওইশিং কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পগী চাং য়াম্না নেপ্লে হায়বসি উৎলি। দিষ্ট্রিক্ট খরদদি হৌজিক ফাওবদা গ্রুপ অসিগী মীওই অমত্তা ভেক্সিন কাপ্পা লৈত্রি।

চহী গ্রুপ অসিগী মীওইশিংগী মরক্তা ভেক্সিন কাপ্পদা থোং মান্নদবগী ফীভম অমা লৈরিবা অসি ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থিংগদবনি। ভেক্সিন দিষ্ট্রিব্যুসনদা খেন্নবগী মওং অমা লৈরিবা অসি মরু ওইনা ষ্টেট অসিদা ভেক্সিন সপ্লাইগী চাং কা হেন্না ৱাৎপদগীনি।

ফীভমশিং অসি য়েংদুনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা অথুবা মতমদা ষ্টেট অসিদা ভেক্সিন মতিক চানা ফংহন্দুনা ইলিজিবল ওইবা মীওইশিং ভেক্সিন কাপকদবনি হায়না দিভিজন বেঞ্চ অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# রাইমোনা সেঙ্কচুরিবু অসামগী ৬ শুবা নেস্নেল পার্ক ওইনা চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা লাউথোকখ্রে



গুৱাহাটি, জুন ০৫ (এজেন্সী):
ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে থৌরমগা মরী লৈননা অসামগী চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মানা ঙসি ষ্টেট অদুদা লৈরিবা রাইমোনা সেঙ্কচুরিবু লমদম অদুগী তরুকশুবা নেস্নেল পার্ক ওইনা ঙসি লাউথোকখ্রে।


অসাম গভর্ণমেন্টনা হীরম অসিগা মরী লৈননা লৌখিবা ফিরেপকী মতাংদা ফোঙদোক্লদুনা চীফ মিনিষ্টর সর্মনা হায়, দেহিং পাৎকাই ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরিসু নেস্নেল পার্ককী থাক্তা অপগ্রেদ তৌনবা হোৎনরি। গভর্ণমেন্টনা বি টি আরদা লৈরিবা রাইমোনা সেঙ্কচুরিদা নেস্নেল পার্ককী থাক্তা অপগ্রেদ তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি।

হৌজিক হৌজিক দেহিং পাৎকাই ৱাইল্ড লাইফ সেঙ্কচুরিসু নেস্নেল পার্ককী থাক্তা অপগ্রেদ তৌনবগী থবক থৌরম পায়খৎপা হৌখ্রে হায়না মিনিষ্টরনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্টগী থৌরমগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর সর্মনা গুৱাহাটিদা লৈবা গান্ধী মান্দবতসু হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনখি। মফমদুদা মহাক্না রুদ্রক্ষ উ চারা ১১ শু থাখি। ঙসিগী ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী খোঙচৎকা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর সর্মনা ফোঙদোকখিবদা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্না মীওইবা খুন্নাইদা অচৌবা পরা অমা তম্বীরে। অকোয়বগী ফীভম ঙাক শেন্নবা অমদি উ চারাশিং থাদুনা ঐখোয়গী ইকো সিষ্টেম্বু হান্নগুম্না ওইহল্লক্লবা হোৎনবদা কোরোনা ভাইরস পেন্দমিক্না অচৌবা মতেং পাংলি।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা গান্ধী মান্দপকী অকোয়বদা রুদ্রক্ষ চারা ১১ থাবা ফংবা অসি মহাক্কীদি লাইবক ফবনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ষ্টেট অদুদা লৈরিবা নহাশিংনসু ইনভাইরোনমেন্ট ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌনবা অমদি য়ুম অমসুং অকোয়বদা উ চারাশিং মরাং কায়না থানবা আপীল তৌখি।

## CROSSWORD-3801



**ACROSS**
1 Bushes (6)
4 Finished (6)
8 Broadcasting medium (5)
9 Leaf vegetable (7)
10 Liberty (7)
11 Drive back (5)
12 Penitential attire (9)
17 Fire-raising (5)
19 Hug (7)
21 Pouch worn with kilt (7)
22 German fairy-tale brothers (5)
23 Resides (6)
24 Chess piece (6)

**DOWN**
1 Conflict (6)
2 Compensation (7)
3 Offspring (5)
5 Trading ban (7)
6 Rascal (5)
7 Profoundly (6)
9 Confess all (4,5)
13 In the middle (7)
14 Title at top of page (7)
15 Stopped briefly (6)
16 Muppet frog (6)
18 Range (5)
20 Commence (5)

**Solution 3800**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | B | E | T | | D | E | S | P | O | T | I | C |
| S | | M | | V | | A | | A | | O | | H |
| P | U | P | P | I | E | S | | G | O | R | G | E |
| E | | T | | E | | I | | E | | M | | F |
| R | A | Y | O | N | | E | A | S | T | E | R | |
| I | | | | N | | R | | | | N | | D |
| T | A | R | T | A | R | | C | A | T | T | L | E |
| Y | | A | | | | S | | B | | | | F |
| | S | P | R | A | W | L | | S | A | B | L | E |
| E | | T | | V | | O | | U | | A | | R |
| C | A | U | S | E | | W | A | R | B | L | E | R |
| H | | R | | R | | E | | D | | S | | A |
| O | V | E | R | T | U | R | N | | F | A | L | L |

SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3600**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 1 | 8 | | 3 | | 4 | 2 | | |
| | | | | | | | | 5 |
| | 9 | 3 | 8 | 6 | | | | |
| 3 | | 4 | | | 9 | | | |
| | | | 1 | | 6 | | | |
| | | | 2 | | | 4 | | 8 |
| | | | | 2 | 8 | 7 | 1 | |
| 8 | | | | | | | | |
| | | 2 | 7 | | 5 | | 8 | 9 |

**Solution-3599**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 1 | 6 | 7 | 5 | 3 | 8 | 2 |
| 6 | 2 | 5 | 8 | 4 | 3 | 9 | 1 | 7 |
| 7 | 3 | 8 | 1 | 9 | 2 | 5 | 4 | 6 |
| 2 | 6 | 9 | 5 | 1 | 8 | 7 | 3 | 4 |
| 1 | 5 | 4 | 7 | 3 | 6 | 8 | 2 | 9 |
| 8 | 7 | 3 | 4 | 2 | 9 | 6 | 5 | 1 |
| 3 | 4 | 2 | 9 | 5 | 7 | 1 | 6 | 8 |
| 9 | 1 | 6 | 3 | 8 | 4 | 2 | 7 | 5 |
| 5 | 8 | 7 | 2 | 6 | 1 | 4 | 9 | 3 |

## EMPLOYMENT NEWS

DFCCIL Recruitment 2021 www.dfccil.gov.in: Dedicated Freight Corridor Corporation of India Limited (DFCCIL) invites online applications from eligible candidates for recruitment of following Junior Manager, Executive and Junior Executives in various disciplines. The last date for registration of online applications is 23rd May 2021. Due to 2nd wave of COVID-19, the last date for registration of online application has been extended up to 23rd July 2021.
Advertisement No. 04/2021
Name of Post
Total Vacancies
Junior Managers
111
Executives
442
Junior Executives
521
Discipline wise Vacancies:
Junior Managers: Civil - 31, Operations & BD - 77, Mechanical - 03.
Executives: Civil - 73, Electrical - 42, Signal & Telecommunication - 87, Operations & BD - 237, Mechanical - 03.
Junior Executives: Electrical - 135, Signal & Telecommunication - 147, Operations & BD - 225, Mechanical - 14.
Age Limit: (As on 01/01/2021)
18 to 30 years for Executive and Junior Executive posts.
18 to 27 years for Junior Manager.
Pay Scales:
Junior Managers: ? 50,000 - 1,60,000 (E-2)
Executives: ? 30,000 - 1,20,000 (E-0)
Junior Executives: ? 25,000 - 68,000 (N-5)
Educational Qualifications:
Junior Managers:
(1) For Civil / Mechanical: Bachelor's Degree (B.E.) in Civil Engineering with not less than 60% marks in aggregate.
(2) For Operations & BD: 02 years MBA / PGDBA / PGDBM / PGDM in Marketing / Business Operation / Customer Relation / Finance with not less than 60% marks in aggregate.
Executives:
(1) 03 years Diploma in relevant engineering discipline.
(2) For Operations & BD: Graduation (Bachelor's Degree) with not less than 60% marks.
Junior Executives:
(1) Matriculation / 10th class pass with not less than 60% marks in aggregate.
(2) Minimum 02 years ITI year duration Course Completed Act Apprenticeship/ ITI approved by SCVT/ NCVT in any relevant trade.
Selection Process:
Computer Based Test (CBT)
Document Verification
Interview
Medical Test
Application Fee:
1000/- for Junior Manager, Rs. 900/- for Executive and Rs. 700/- for Junior Executive posts.
No fee for SC / ST / PwBD / Ex-Servicemen candidates.
The fee can be made through online mode only using Debit card, Credit cards or Internet Banking through SBI MOPS.
How to Apply: Eligible candidates are required to apply online through DFCCIL official website (dfccil.com) from 24th April 2021. The Candidates should have a valid personal e-mail ID and Mobile number. The last date for registration of online applications is 23/05/2021 up to 23:45 Hours. The last date for registration of online application has been extended up to 23/07/2021 till 23:45 Hours.

---

Arunachal Pradesh SSB Recruitment 2021 - APSSB CHSL 10+2 Level Examination 2021: Government of Arunachal Pradesh, Arunachal Pradesh Staff Selection Board (APSSB) Itanagar invites online applications from eligible candidates for recruitment of Group 'C' positions for various departments / Offices. The last date for registration of online applications is 17th June 2021.
Advertisement No. 10/2021 Combined Higher Secondary (10+2) Level Examination 2021
Name of Post
Total Vacancies
LDC (District Establishment)
51
LDC / Data Entry Operator (DEO)
99
Junior Secretariat Assistant
08
Agricultural Field Assistant (Junior)
11
Laboratory Assistant
01
Record Keeper / Record Clerk / Computer Operator
09
Age Limit:
18 to 32 years.
Age Relaxation as per Government Rules.
Pay Scales:
LDC / Data Entry Operator (DEO): Level 4 Rs. 25500 - 81100/-
Junior Secretariat Assistant: Level 4 Rs. 25500 - 81100/-
Agricultural Field Assistant (Junior):
Laboratory Assistant: Level 3 Rs. 21700 - 69200/-
Record Keeper / Record Clerk / Computer Operator: Level 4 Rs. 25500 - 81100/-
Educational Qualifications:
LDC / Data Entry Operator (DEO): Class XII / Matric with 12th class Pass. Typing speed test of 35 words per minute on computer (35 words perminute corresponds to 10500 Key depression per hour) (KDPH) on an average of 5 key depression for each word. Minimum 06 month Diploma in Computer Application.
Junior Secretariat Assistant: Class XII Pass certificate. Typing speed test of 35 words per minute on computer (35 words per minute corresponds to 10500 Key depression per hour) (KDPH) on an average of 5 key depression for each word.
Agricultural Field Assistant (Junior): Class XII (Science) Passed.
Laboratory Assistant: Class XII Passed with Science subject. Passed certificate course in Laboratory Assistant.
Record Keeper / Record Clerk / Computer Operator: 12th Pass or equivalent qualification. 01 year Diploma course in Computer Application.
Selection Process:
Stage 1: Written Examination (Objective type multiple choice questions)
Stage 2: Skill Test
Application Fee:
150/- for APST candidates.
200/- for General candidates.
No fee for PwD candidates.
How to Apply: Eligible Interested candidates should apply online through APSSB Online portal (apssb.nic.in). The last date for registration of online applications is 17/06/2021 up to 15:00 Hours.

---

CSIR IMMT Recruitment 2021: CSIR - IMMT Bhubaneswar invites online applications from bonafide Indian Citizens for recruitment of Junior Secretariat Assistant and Junior Stenographer positions. The online registration process will be start from 20th May 2021 to 21st June 2021.
Advertisement No. 02/2021
Name of the Post
Total Vacancies
Junior Secretariat Assistant (G)
07
Junior Secretariat Assistant (F&A)
02
Junior Secretariat Assistant (S&P)
03
Junior Stenographer
02
Age Limit:
Junior Secretariat Assistant: 28 years
Junior Stenographer: 27 years
Pay Scales:
Junior Secretariat Assistant: Pay Level 2 ? 19900 - 63200/-
Junior Stenographer: Pay Level 4 ? 25500 - 81100/-
Educational Qualifications:
10+2 / XII / Matriculation with 12th class Pass or its equivalent.
Proficiency in Computer typing speed (English - 35 w.p.m.)
How to Apply: Eligible Interested candidates are required to apply online through CSIR IMMT official website from 20th May 2021. The last date for registration of online applications is 21/06/2021 till 5:00 PM.

